HUEIYEN LANPAO
Refreshingly Reliable
# হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses



দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্স প্রদক্সনগী জোইন্ট সেক্রেটরি ওইনা নৌনা খনখ্রবা আই এফ এস ওফিসর অনুরাগ বায়পায়না গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলাগা রাজ ভবনদা উনখিবা



লামায় ৩

লাক্কদৌরিবা কুম্বী এ সীগী মীখলগা মরী লৈননা বি জে পিগী বুথ লেভেল কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফমদা বি জে পিগী হান্নগী কেন্দিদেট খাঙেম্বম নবকুমারনা ৱা ঙাংবা



লামায় ৩

লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা সোসল রিফোর্মর ক্লব খুরাই পুথিবা, নান্দেবম লৈকায়দা পাঙথোকপা থৌরমদা প্লস হিজমনা অফবা মহৈরোয়শিংদা মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎপা





লামায় ৩

নেসনল ব্লদ দোনেসন দেগা মরী লৈননা আই আর সী এস ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা ষ্টেট ব্লদ ট্রান্সফ্যুজন কাউন্সীলগা খুৎশম্নদুনা জেনিমস ব্লদ বেঙ্কতা পাঙথোকখিবা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প

Vol. 44, Issue No.187 | ইরাই, মেরাগী ১৬ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, October 02, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

# ঙাংবা অমদি তাবা ঙমদ্রবা অঙাংশিংদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবিদ্রে হায়রক্লি

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট লৈঙাক্না স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী মখাদা স্কুলশিং চাওখৎনবা থৌরাং-থৌশিল কয়া পায়খৎলে হায়রবসু ঙসি-ঙসিমক মিমান্দ্রবা ঙাংবা অমদি তাবা ঙমদ্রবা মহৈরোয়শিংগী অমত্তা ঙাইরবা লমদম অসিগী তাকয়েলদা লৈবা দেফ এন্দ মুট স্কুলগী ওইনদি য়েংশিনবিরকপা লৈত্রি হায়না স্কুল অসিগী ওজাশিংনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।





স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল নোংমাইথেম কলপনানা ফোঙদোর-কখিবদা স্কুল অসিদা হৌজিক-হৌজিক মহৈরোয় ১০০ হেন্না তম্লি। ষ্টেট অসিগী ঙাংবা অমদি তাবা ঙমদ্রবা অঙাং কয়া স্কুল অসিদা এদমিসন তৌনবা লাকখি। অদুবু স্কুল অসিগী মতিক চাবা ইনফ্রষ্ট্রকচর লৈতবা অমদি ওজা মশীং শুনা লৈতবনা অঙাংশিং অদু লৌশিনবা ঙমখিদে। মহৈরোয় ১০০ তম্লিবা স্কুল অসিদা শুপ্নগী রিগ্যুলর ওজা ৭ খক লৈরি। লোয়ননা স্কুল অসিদা অৱাৎপনা পীক থন্না লৈরি। স্কুল অসিগী অৱাৎপশিংগী মতাংদা সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী মরী লৈনবশিংদা প্রপোজেল থাদুনা কয়ারক হন্না খঙহনখ্রবসু ঙসি ফাওবা থবক ওইনা পাঙথোকপীরকপা লৈত্রি হায়না ফোঙদোরকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, স্কুল অসিদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা লৈরিবা হোষ্টেল নুপীমচাশিংগী অমদি নুপামচাশিংগী তোখায়-তোখায়বা বিলডিং লৈতবনা হৌজিক বিলডিং অমত্তদা খাজিল্লগা তোঙান-তোঙান্না থম্লি। হোষ্টেল অসিগী ওইনা চাক থোংনবা, সুপরিটেন্দেন্ট অমদি নুপীশিংবু শেন্নবিনবা নুপী ৱার্দেন লৈতবনা খুদোংচাদবা কয়াসু ময়োক্নরি। মরম অদুনা স্কুল অসি চাওখৎনবা অমদি ষ্টেট অসিগী ওইনা ঙাংবা অমদি তাবা ঙমদ্রবা অঙাং কয়া মহৈ তম্বা ফংদনা লৈরিবা অসি ফংহন্নবগীদমক্তা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। হৌখিবা চহীদা স্কুল অসিদা এদমিসন তৌগে হায়না লাকখিবা অঙাং কয়া স্কুল অসিদা লৈফম

...মখা লামায় ৩ কলম ২

# এম পি, এম এল এশিংগী মথক্তা লৈবা কেসশিং ৱায়েল চখনবা স্পেসল কোর্ট ২ লিংখৎনবা ঐচ সীনা দিরেক্সন পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচ এন এস) : লৈবাকসিগী ফোর্মর/সিট্টিং এম পি, এম এল এশিংগী মথক্তা লৌখৎপা/ত্রাইয়েল চখরিবা কেসশিংগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টকী এম পি অশ্বিনি কুমার উপাধ্যায় অমসুং অদরসনা সুপ্রীম কোর্টতা যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ অদরসকী মথক্তা ফাইল তৌরকপা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর- ৬৯৯ ওফ ২০১৬গী ওর্দরশিংগী মতুংইন্না হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা সু-মোটুদা লৌখৎলগা পি আই এল ওইনা রেজিষ্টর তৌখিবা কেসকী ৱায়েলদা মণিপুরগীসু ফোর্মর/সিট্টিং এম পি, এম এল এশিংগী মথক্তা লৈবা কেসশিংগী ৱায়েল চখনবগীদমক স্পেসল কোর্ট অনী লিংখৎনবা লৈঙাক্তা দিরেক্সন পীখ্রে।

সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌরকপা সিভিল রিট পিটিসন অসিগী ওর্দরশিংগী মতুংইন্না হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা লৌখৎপা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন নম্বর- ৩৮ ওফ ২০২০ অসি ঙসি কোর্টসিগী চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চকী আইটেম নম্বর-১দা লিষ্ট তৌখি। ঙসি কোর্টনা পি আই এল অসি অহানবা ওইনা লৌখৎলকপদা এদভোকেট জেনরেল নাওরেম কুমারজিৎনা কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর- ১, ২ অমসুং ৩গী মায়কৈদা লেপখি। অদুগা পব্লিক প্রোজিক্যুটর আর কে উমাকান্তনা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর- ৪, ৫ অমসুং ৬কী মায়কৈদা লেপখি।

কোর্টনা মেটর অসি লৌখৎলদুনা মসিগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর- ৭ অমসুং ৮দা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্নদবা নোটিশশিং ইস্যু তৌখি। লোয়ননা সুপ্রীম কোর্টতা ফাইল তৌরক্লিবা সিভিল রিট পিটিসন অসিগী মতাংদা পীখিবা দিরেক্সন/সজেসনশিংদা ফোর্মর/সিট্টিং এম পি, এম এল এশিংগী মথক্তা রেজিষ্টর তৌবা কেসশিংগী ইনভেষ্টিগেসন থেংথহন্দনা চখগদবনি। করিগুম্বদা চার্জসিট থাগৎলক্ত্রিবা ওইরগনা প্রাইওরিটি বেসিসতা মসিবু পাঙথোক্লবা হোৎনগদবনি হায়বশিং পনখি। লোয়ননা সুপ্রীম কোর্টকী কেস অসিগী মতুংইন্না এপেক্স কোর্ট অসিনা মমাঙ থাগী ১০ অমসুং ১৬তা পীখিবা ওর্দরশিং থবক্তা ওন্থোক্লবা খঙহনখি।

ঙসিগী পি আই এল অসিগী মতাংদা হায়কোর্টনা পীখিবা লামায় তরেৎ পানবা ওর্দরদা পনখিবশিংগী মনুংদা মণিপুরগী ফোর্মর/সিট্টিং এম পি অমসুং এম এল এশিংগী মথক্তা রেজিষ্টর তৌবা কেসশিংগী ৱায়েল চখনবগীদমক স্পেসল কোর্ট অনী লিংখৎনবা লৈঙাক্তা দিরেক্সন পীখি। লিংখৎকদৌরিবা স্পেসল কোর্ট অনীসি স্পেসল কোর্ট (এম পি/এম এল এ) নম্বর- ১ অমসুং স্পেসল কোর্ট (এম পি/এম এল এ) নম্বর- ২ হায়না খঙনগনি হায়রি। কোর্ট অনীসিগী প্রেসাইদিং ওফিসরশিংনা মথংশিংনা মণিপুর জুদিসল সর্ভিস (এম জে এস) গ্রেদ ৱান অমসুং গ্রেদ

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## গভর্ণর, সী এম য়াওনা পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচ এন এস) : গান্ধী জয়েন্তিনা লাকপগা মরী লৈননা গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলা, চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ, সোসল ৱেলফ্যর মিনিষ্টর ও হেনরিনা মীয়ামদা য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি।

গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা থাদোরকখিবা পাউজেল পীবগী চেরোল অদুনা হায়, গান্ধী জয়েন্তিগী নুমীৎ অসিদা চহী খূদিংগী নেসনল ক্লিনলিনেসকী থৌরম পাঙথোক্নুনা লাক্লি। বৃটিশশিংগী মখুৎতগী নীংতম্ন বগী হৌখিবা ঈহৌদা মহাত্মা গান্ধীনা লুচিংখিবনি। লুচিংবা অসিগী খ্বাইদগী মতিক-ময়াই লৈরবা খুৎলায় অমা ওইখিবা নন-ভাইওলেন্স অসি ঙসিগী হৌরক্লিবা মীরোলনসু তুংইন্দুনা চৎতুনা ঈং-তপ্পা পুরক্ন বা হোৎনমিন্নসি। হকচাং ফনা লৈবনা অফবা ৱাখল চেলহল্লি অমসুং হকচাং ফনা লৈহন্ননবা ইনভাইরনমেন্টসু লূ-নান্না লৈহনবা

...মখা লামায় ৩ কলম ৮

## পর্সনেল এপিয়ারেন্স একজেমপ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচ এন এস) : মণিপুর যুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লরগী থবক থৌরমশিং পুহল্লক্লিবা এদমিনিষ্ট্রেটর জ র্নেল সিংহনা মঙোন্দা অয়াবা পীদবা মহৈকোল অসিগী ওজা য়াওনা ষ্টাফশিং লৌবা অমসুং প্রমোসননচিংবা পীবগী থবকশিং চখরে হায়বগী মতাংদা হায়কোর্টতা ৱাকৎলুবদগী এদমিনিষ্ট্রেটর অসিনা তৌরকপা কমপ্লেন্টতগী ক্রিমিনেল কন্টেমপ্ট কেস লৌখৎলক্লবা যুমখাম কান্ত রোয়গী পর্সনেল এপিয়ারেন্স কোর্টনা একজেমপ্ট তৌখ্রে।

যুমখাম কান্ত রোয়গী মথক্তা লৌখৎলক্লিবা কন্টেমপ্ট কেস (ক্রিমিনেল) অদুগী নম্বরনা ৩ ওফ ২০২০ নি। কেস অসি হায়কোর্টনা হৌখিবা জুলাই ৭ তা কন্টেমপ্ট কেস (সিভিল) নম্বর- ৫৯ ওফ ২০২০গী ৱায়েলগী ওর্দরগী মতুংইন্না লৌখৎলকপনি। অদুগা ৱাই কান্ত রোয়গী মায়কৈদগীনা মহাক্কী মথক্তা লৌখৎলক্লিবা ক্রিমিনেল কন্টেমপ্ট কেস অসিগী মায়োক্তা

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## মণিপুরগী অনলোক ২: নৌনা চৎনগদবা কাঙলোনশিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী ওইনা অনলোক ১গী মতম লোইখিবগা লোয়ননা ঙসিদগী ওক্টোবর ৩১ ফাওবা চখগদবা অনলোক ২ মনুংদা নৌনা চৎনরগদবা কাঙলোনশিং লাউথোকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেশ কুমারনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমনা ওক্টোবর ৩১ ফাওবা চখগদবা অনলোক ২ মনুংদা চৎনগদবা কাঙলোনশিং লাউথোকখ্রে। অনলোক ২গী গাইদলাইন মতুংইন্না কন্টেনমেন্ট জোনগী নত্তবা মফমশিংগী লৈরক-খুল্লক্তা লৈবা গ্রোসরি দুকানশিং, মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈ, শা-ঙা য়োনবা দুকানশিং অমদি মিল্ক বুটশিং অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা নুমীৎ খূদিংগী হাংবা য়াগনি। থাঙ্গাল কৈথেল, ধরমসালা, পাউনা কৈথেল অমসুং মসজিদ রোদতা লৈবা হোল সেল দুকানশিং নোংমাইজিং নুমীৎ নত্তনা অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা হাংবা য়াগনি। থাঙ্গাল কৈথেল, পাউনা কৈথেল অমদি নাগামপাল এরিয়া নত্তনা অতোপ্পা মফমশিংদা তোখায়না হাংবা কন্সত্রক্সন মেটেরিএল, হার্দৱায়র, ইলেক্ট্রিকেল আইটেম অমসুং সিমেন্টনচিংবা পোৎলমশিং য়োনবা দুকানশিং অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা হাংবা য়াগনি। থাঙ্গাল অমসুং পাউনা কৈথেলগী গলিশিং অমদি বাই-লেন্দশিংদা লৈবা দুকানশিং নত্তনা অতোপ্পা দুকানশিং মমাঙদা কাঙলুপ ৩ থোক্না রোষ্টরদা হাংহল্লম্বা অদু কাঙলুপ অনী ওইনা

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## অপূনবা কেস মশিং ১১,১১১ য়ৌখ্রে, লৈখিদবা মশিংসু ১ হেনগৎতুনা ৬৮ শুরে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচ এন এস) : লমদম অসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ লেপ্পা লৈতনা শন্দারকপগা লোয়ননা অপূনবা কেস মশিং ১১,১১১ য়ৌখ্রে। লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবা মশিংসু অমা হেনগৎতুনা ৬৮ শুখ্রে।

কোভিদ-১৯ কন্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা যুম্ফম ওইরগা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিসনল দিরেক্টর অমসুং স্পোক্সপর্সন ডা. খোইরোম সশীকুমার মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা নুপা ৬১ অমসুং নুপী ৫০ য়াওনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১১২ অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেল ১৬ য়াওনা পুন্না মীওই ১২৮ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। পোজিটিভ কেসশিং অসি রিমসতা ৩৫, সেনাপতিদা ২, তেংনৌপলদা ৭, নোনেদা ২১, চুড়াচান্দপুরদা ৪, রাজ মেদিসিটিদা ৩, উখ্রুলদা ৪, তমেংলোংদা ১৮, শিজ হোস্পিটালদা ১০, ইম্ফাল ইষ্টতা ৭, ককচিংদা ১, থৌবালদা ১, মার্দর ক্যেরদা ১, জিরিবামদা ২, হিল সাইট হোস্পিটালদা ২, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ৭, বিষ্ণুপুরদা ২ অমসুং জেনিমসতা ১ থেংনখিবনি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৪০, ইম্ফাল ইষ্টতগী ১৩, সেনাপতিদগী ২, জিরিবামদগী ২, তেংনৌপলদগী ১, নোনেদগী ১৬, চুড়াচান্দপুরদগী ৪, তমেংলোংদগী ১৮, উখ্রুলদগী ৪, চান্দেলদগী ১, থৌবালদগী ৫, ককচিংদগী ২ অমসুং বিষ্ণুপুরদগী ৪ য়াওরি। তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী হল্লকপা ইম্ফাল ইষ্টতগী মীওই ৭ নত্তনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী অতোপ্পা মীওই ১০৫ দি মণিপুরগী মপান্দা চৎলুদবা ঙাক্তনি। পোজিটিভ ওইরবশিং অসি কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিদা থমখিবগা লোয়ননা কন্টেক্ট ট্রেসিংগী থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে।

নৌনা থেংনখিবা কেস ১১২ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশিং ১১,১১১ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৮৭৯৬ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## মাস কেম্প্যেন তৌহন্দনবা অমদি মীয়াম পুনবা য়াহন্দনবা চৎন-কাঙলোন শেম্বীয়ু : জয়কিষন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচ এন এস) : লিলোং এ সী অমসুং ৱাংজিং-তেন্থা এ সীগী মরক্কী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট লৈঙাক্না কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্নবা তোঙানবা এস ও পি অমা লাউথোক্লগা মাস কেম্প্যেন তৌহন্দনবা অমদি মীয়াম পুনবা য়াহন্দনবা চৎন-কাঙলোন শেম্বীয়ু হায়না থাংমৈবন্দ এ সীগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা ফোঙদোরক্লি।

খোয়াথোং কম্যুনিটি হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা হায়খি, ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লিলোং এ সী অমসুং ৱাংজিং-তেন্থা এ সীগী মরক্কী মীখল লাক্লিবা নবেম্বর ৭তা পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মফম মরাং খঙদনা শন্দোরক্লিঙৈ চৈরক অসিদা মরক্কী মখল পাঙথোক্ননবা লেপশিল্লকপা অসিদা ষ্টেট লৈঙাক, সী এস ওশিং, ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংনা হকচিন্না লৌবগী মতম ওইরে। ষ্টেট অসিদা হৌজিক কোভিদ-১৯ গী কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন লৈরে হায়বসি মীপুম খূদিংমক্না হায়নরবা, ঙাংনরবা ৱাফমনি। ফীভম অসিদা মীখলগী অঙম তান্নবা, রেল্লি চৎপা, মীটিংদা মী য়াম্বা তান্নবগী ৱাফম অসি তৌরগদি লায়না অসি অঙকপা ফংনা শন্দোরক্কনি। মসিদসু নত্তনা সোসল দিষ্টেন্সিংনি হায়দুনা ফিট ৫/৬

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## HL Poll

Q: Manipur leingakna October 15 gi matungdagi School amadi coaching institutionsing hanghanaba firep louhanningbra ?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: MGNREGS ki matangda wathok kaya thokliba asi mari leinaba officialsingna pukchel sengna thabak toudabadagini haina khanbra ?

Yes 86% No 14%

## অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৩.৭৮ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.০৭ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৬.৪৬ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.০৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৫৮

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## অস! লোইরেহে!

- ঐদি শেল চাদ্রে, নতৌমাদা পীরম্মু নতৌমানা ঙাইদনা লৈরে আদা !



- ফনি, সার ! অমহানি !

## শুরচন্দ্রগী মথক্তা ইলেক্সন পিটিসন : দিফেন্স আর্গ্যুমেন্ট ওক্টোবর ৫দা মখা চখখিগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী মেম্বর ওইরম্বদগী দিসক্বালিফাই তৌখ্রবা ককচিং এ সীগী এক্স-এম এল এ য়েঙ্খোম শুরচন্দ্রগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসনগী হিয়রিংদা ঙসি রেস্পোন্দেন্টকী মায়কৈদগী দিফেন্স আর্গ্যুমেন্টশিং মখা তানা কোর্টতা সবমিসন তৌখিবদা লোয়শিনবা ঙমদবদগী থা অসিগী ৫ (নিংথৌকাবা) দা ৱাৎহৌবা শরুক চখনবা মতম লেপখ্রে।

ইলেক্সন পিটিসন অসি হৌজিক হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱায়েল চখরিবা ইলেক্সন পিটিসন কেসশিংগী মনুংদা ইহান হানবা নম্বর- ১ ওফ ২০১৭ নি। মসিগী পিটিসনরনা ময়াংলম্বম রামেশ্বরনি। মহাক্না পিটিসন অসিদা এক্স-এম এল এ ৱাই শুরচন্দ্র অমসুং অতোপ্পা মীওই অমবু রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লগা মখোয়গী মথক্তা ফাইল তৌরকপনি।

হায়কোর্টকী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চতা চখরক্লিবা কেস অসিগী ৱায়েলদা পিটিসনরগী মায়কৈদা লেপ্লিবা কাউন্সেলশিংগী আর্গ্যুমেন্ট সবমিসনশিং লোয়শিনখ্রবা মতুং দিফেন্স আর্গ্যুমেন্ট তৌবা হৌরকখিবনি।

ঙসিসু মেটর অসি বেঞ্চ অসিগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর-১দগী হৌরগা মিসেলিনস কেসশিংগা লোয়ননা পুল্লপ লিষ্ট তৌখি। কোর্টনা ঙসিগী প্রোসিদিং লৌখৎলকপদা দিফেন্স

...মখা লামায় ৩ কলম ১

